ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জলাই ২৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১১৮শুবা মশীং

## য়েলহৌ কাঙলোন-লীপুন

### হৌজিক্কী মতমদা মথৌ তারক্লব্রা

হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইগী মীরোলদা থোক্লিবা তাহে-উহৈদবা, মীওইলক্তা থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোক ৱাথোকশিং নোংমতা কাংদনা থোক্লে হায়বা ফাওবা য়াবগী ফীভমদা তোয়না থোকচিল্লক্লিবা অসিগী মরমশিং অসিবু করিগী ওইরমগদগে? হোয়, থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি থোরক্লবা মতুংদা মসিগীদমক লোগী য়াওনা পাঙথোকফম থোকপা পান্থৈ অমদি থবকশিংবুদি কোকথোং অমা লৈ। লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা মীওই অমা মশাগী নেচরল দেঠতা শিজবা নত্তনা অতম্ননা মথ্বায় মাঙহন্দুনা হাৎলবদি মীহাৎপশিংগী মথক্তা আই পি সী সেক্সন ৩০২গী মখাদা ৱায়েল চত্থরগা পীফম থোকপা চৈরাক পীবা য়াই। চহী ১৮ শুরবা অমসুং চহীসিগী মথক্তা লৈরবা নুপীশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরম্বা থৌদোক্কীনা আই পি সীগী সেক্সন ৩৭৬ লৈ। চহী ১৮গী মখাদা লৈবী নুপীমচাশিংগী ফিজি-ফিনা নেৎলুবগীসু 'প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স' (পোক্সো) এক্ট, ২০১২ লৈ। অতোপ্পা মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা মহৌশাগী লিচৎকা ওন্ন-তৈনবা, শেবাৎনবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোরকপগীসু থৌদোকশিং অদুগী চপ চাবা এক্ট, রুল অমসুং লো মরাং কায়না লৈ। ৱায়েল চত্থরগা চৈরাক পীবা য়াই। অদুবু মসিনা থোকহন্নীংদবনি হায়বা থৌদোকশিং থোরক্লগা খূৎফম হঞ্জিন্নবা, হুরানবা মতুং মৈরিংবগী ৱানি। থবকশিং অসিসু তৌফদ্রবা থবক-থৌরমশিংনি। অদুবু হঙ্গৎনা য়েংখৎলক্তবা য়াদ্রিবনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি করি-করম্বা মরমশিংদগী থোরক্লিবনো হায়বসিনি। থৌদোকশিং অসিবু মীশিংগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অসি খক্তনা থোকহনবমক ওইরগদ্রা? অদুবু অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদি তোয়না হৌজিক্কী মীরোলনা মায়োক্নরিবা অসুম্মাইনা নৎত্রবসু য়াম্না তাঙনা ওইরবসু মমাঙঙৈদসু শুংথোক থোকখিদবদি নত্তে। হৌজিক্লা ইন্সোন কাংদনা থোকচিল্লক্লে, থৌদোকশিং অদুগী পাউনা নাকোং শীংজাসু য়ৈরে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায়-শঙ্গোই হাঙবগী ফীভমদা লৈরে হায়বগী ৱানি।

মসি ওইরগদি মমাঙঙৈগী মতমশিংদনা থোক্লবসু য়াম্না তাঙনা থোক্লম্বদুনা করিগী ওইগদগে? ৱাহংসিগী মতিক চাবা পাউখুমগীদমক হৌখ্রবা অমসুং হৌজিক্কী মতমগী ওইরিবা ফীভমশিং তরেৎ-তরা থোক্লা চাংদম্নদুনা য়েংবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। মরমদি সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাওখৎলকপদগী মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নদুনা লাকপা চৎন-কাঙলোন অমসুং লীপুনশিংদা অহোংবা কয়া লাক্লে। চুম্নগী হোংহল্লকপদা নত্তনা পরম-পরাদগী লোয়নরকপশিং লোইনা হুমদোক্তুনা পুখ্রে হায়বা ফাওবা য়ারে। ইমুংদা ওইগেরা, মপান্দা ওইগেরা চহী খেন্নবা-খেন্নদবগী ৱাফম নত্তনা থকসি-খাসি, থৌগল্লোন লৈনবা, তৌনবগী মচৎ অমা মাঙথরকপগুম তৌরে। ইশম-শম্বদা ফজখ্রবা মণিপুরী খুন্নাইগী কাঙলোনগী মচৎ মুৎশিল্লকপগুম তৌরকপদগীনি হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাফম ওইগদবা মান্দ্রে। অদুবু মসি ওইরগদি মাঙশিন-মুৎশিল্লক্লবা ফজ খ্রবা কাঙলোন-মচৎশিং অদু নৌহৌননা হঞ্জিলহল্লক্নবা কৈদৌবা তাবগে? ৱাহংসিগী পাউখুমদা ইনখৎলক্লিবা মীরোলদা মোরেল এদ্যুকেসন পীবা, চৎন-কাঙলোনশিং তম্বীবগী থবকশিংসু পাউখুম ওইনা য়াওরকপা য়াই। অদুবু তম্বীবগী মওংসু লায়বা, তম্বীনীংলিবশিং অদুগী মচাকশিংসু পীক থন্না য়াওরবা মণিপুরগী অরিবা আর্ট ফোর্মশিং অসি নীংথিজনা য়োকখৎপীদুনা হিংহন্দুনা মসা-মরেং ফাওবা ফন্দোকহল্লবদি এন্টরটেনমেন্টসু পীবা অদুগা মদুদা য়াওরিবা, চেল্লিবা ফজখ্রবা ঈচেলশিংদুগী লূরবা ঈশিংশিংদুনসু শুদোক-চামথোকপীবা ঙমগনি খল্লি। থবকসিদি ষ্টেটসিগী এদ্যুকেসন সেক্টরগসু হকথেংননা মরী লৈনহনবা চুমগনি। শেল ময়াম চঙগনি। অদুবু চঙগদৌরিবা শেলশিংদুদগী ফংলক্কদবা মহয়শিংগীদি মমল নাইরোইদবনা পাম্মুদনা থাদগদবনি। মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা আর্ট ফোর্মশিং অমত্তা চিত্থদনা য়োকখৎতুনা মশা-মউ লোইনা ফহনগদবনি। মসিগী ঈনিল খুন্নাইসিদা ফংহনবা কান্নগনি খল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) "**কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।**" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) "**য়াথং**" (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা "**লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।**" হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?


৫) "**মৈ চঙলবা চেক**" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চাউরক্লগা খৎপবু চাওখৎপা কৌব্রা?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

মতম অসিদা ইরাং থাংফম অসি মখল মখা ওখাক য়াম্না হেনগৎলক্লে হায়বা য়ারে। ওইরিবা চৎনরিবা লমদমসিগী খুন্নাইগী ফীভম অসিদদি তাইওন্নবা নৎত্রগনা হেন্না ঙানমনবদগী ঈরাং ওইনা উবা ওইরম্বসু য়াই। খুন্নাইগী লাইবক থীবনি হায়বা তাই। অমরোমদা মসি মী খরনদি চাওখৎলকপনি হায়বা অদুবু মসি চাওদি চাওখৎলেবু মসিগী খুচাওখৎ অসি মওং চাবা খুচাওখৎ অমদি হৌজিকফাওবগী ওইনদি ওইফাৎত্রি।



খুন্নাই অসিনা গ্লোবেলাইজেসনগী মতম অসিদা মালেমগী অতৈ মপানগী চাওখৎপা ময়ামদু হাইজিল্লক্তবসু য়াদবা অদুগা লমদমসিগী হান্নগী চৎনরোলগদি অমুক তৈনা ওন্নবা ওইবা অসিমক য়াম্না বেরা কারিবসি। মসিদনি ঐখোয়দা অকায়বা অমা ওইরক্লিবা। ঐখোয়গী লমদা চানদবা পোৎশক অদু নৌনা হৌদোক্লকপা মতম অসিদা চরাংনবা নুংঙাইতবা কয়া উরকপা তাবনি। হান্নগী লৈজরিবা চৎনবীশিং মূত্থৎপা হায়বসি অফবা থৌদৌ অমা নত্তে। মণিপুরদা হৌজিক ইমাদা ইমা কৌনরক্ত্রে থম্মোয়গী মরী অমা ইতৎ তৎলে। মম্মিগা ইমাগা ইমানা ঐখোয়গীদি ফজবা হেল্লি। মম্মি কৌরগনা ইনাক কৈরাক খুনবা, থাক ৱাংবা ইমুং মাল্লি, ইমা কৌরগনা লায়রবা খুঙ্গংগী ইমুং মাল্লি।

থাবল চোংবদা নত্তনা নুপীগা নুপাগা খূৎকা খূৎকা শম্নরগা মীমাঙদা চৎপা অসি ঐখোয় শ্বাইদা হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকই অদুবু মসি য়াম্নদি উবা হৌরে। থাবল চোংবগুম্বা ফিল্ম নম্বগুম্বদগী হেন্না নুপীগা নুপাগা শোক্লবা শম্নবা য়াদবা লমদমনি। মীগীদনা মদু য়াই অদুবু মসি শ্বাইদদি মীগী মীৎয়েংদা অকায়বা য়াম্না ওইরি। মফম অমদনা য়াম্না ফজবা চৎনবী অমা ওইবা য়াই অদুবু মফমসিদদি খরা ফরক তারি। মতমগী মতুংইন্না য়ারকপা য়ারি, য়ারক্তবসু য়ারি। সি বিচতা মফি মরোল মতৎ মতা শেৎলগা লৈঙোই মথক্তা থরো মাল্লো ওল্লগা লৈরিবা ময়াম অদু ওক্তেগা হায়রুবা য়ারোই ঐখোয়বুদুম ওক্তবা তাগদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা মতমগী অনৌবা য়াওন্নি হায়না খঞ্জবা অমরোমদা মসিগা ঐখোয়গী লৈজরম্বগা মুকখায়নরকপা থোকপা অসিনি উরিবসি। মতম অসিদা নুপা অমদি নুপীগা মরী লৈননা শিবা মীশি মীনা কয়া মরাং কায়রকপা অসি নুপী নুপা খরা কোম্না চৎমিন্নবগী থোরকপা কয়া অমসু য়াওরিবনি।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না লাক্লিবা অহোংবা কয়াশিং অসি হীরম খুদিংমক্তনি, ৱাঙাঙ শাঙাঙ, ফিজেৎ চাকচা, লমচৎ শাজৎ, য়ূমলৈ কৈরৈ, শীজিন্নরিবা পোৎলম চৈরম, ৱাখল্লোল, শিনফম, চৎনরোল, পূন্নমক অসি পুমহোং হোংলকপা অসি ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্লিবা অসিগদি য়াম্না চুশিন্নদ্রে। মসিবু য়ানীংবা অমদি য়ানীংদবা হায়দুনা মখল অনী থোক্লা লৈরি।

ঐখোয়গী খুন্নাইদা হোংলক্লিবা কয়াগী মমি পূম্বা অসি করম্বা মালেমগী ফুরুপ অমগী মমিনো হায়বা অসি লাকশিনবদা য়াম্না ৱানা থোক্লবা মতমনি। কোরিয়াগী, ইন্দিয়াগী, অমেরিকাগী, রুসিয়াগী, ওষ্ট্রেলিয়াগী, চাইনাগী, অফ্রিকাগী লোইনা সুরবনি য়ানশিল্লক্লিবা অসি। হায়বদি মালেম অসি হঙ্গাম মরূমুক্তা পীশিনখ্রে অমগা অমগা লোইনা পাউ ফাওনরে ইতোৎ তোৎনরে। লৈবাক অমগা অমগা ইমাম ইমান মান্নরক্লে মহৌশাগুম্না তোঙান তোঙান উবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লে। মসিগী গ্লোবেলাইজেসনগী রোল্লরনা মালেমগী ফুরুপ খুদিংমকপু তকখায়রক্লি। অসিগুম্বা ফীভমসিনা ঐখোয়বু খুন্নাইবু ফীভম কায়না উহল্লক্লি। অওনবা কয়া অদুনা ঐখোয়বু অৱাবা নুংঙাইতবা পীরগদি মদু খরা থাদোকপা তাবনি।

ইরিবা ৱাখল্লোলদি ইশাগী ফুরুপকী অদুবু ইরিবা কম্প্যুটর অদুবুনা চাইনানা শাই অদুগা হাপ্লিবা সোফ্টৱেয়রনা অমেরিকানা শারি। ৱিন্দোজ ওপরেটিং সিষ্টম হাপ্লি। খুদমগী মশকনি। মালেম অসি ইয়ান য়ানশিন্নরক্লি। অমত্তা ওইখৎলক্লি। ঐখোয়গী ইরোলদা শক্লিবা মতম ঈশৈশিং বেঙ্গালি মাল্লম্মী অদুদগী হিন্দি মাল্লম্মী অদুদগী অমুক ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক মানশিল্লক্লি, টামিল মাল্লক্লি মথং মথং য়াম্না মাল্লকপা য়ারি। হিন্দি ঈশৈসু হৌজিক্তি হিন্দি ঈশৈ মানখিদবা কুইরক্লে পঞ্জাবি, টামিল মাল্লক্লি। খরা লৈরগা চাইনিজ নৎত্রগা কোরিয়ন ঈশৈ অমুক মানখিবা য়াই। মসি য়ানীংবা য়ানীংদবা অদুম থোরক্কনি। অতোপ্পা ফুরুপশিংগী মফমদসু অওনবগী চৈথেং অসি লোইনমক ফংনরিবা ঙাক্তনি। অওনবনা তিঙ্খং ওইহন্দুনা খুন্নাইগী খুয়াদা তুম ওইনা যুহনবদি ফত্তে।

ওইরক্লিবা অহোংবা ময়াম অসি অফবসু য়াওবা য়াই ফত্তবসু য়াওবা য়াই, অকায়বসু ওইবা য়াই কায়দবসু ওইবা য়াই। হান্নগী লৈজরম্বগা চাশিন্নদবদগীসু ফত্তে হায়বা য়াই। লৈশাবী মচা অমগা পাখং অমগা মুশি মুশিবা বল্ব অমা থাল্লগা অমন্বা কা অমদা পুং কয়া ফমহনবা, শেংফাত্তবা লৈকোল, পাখং লৈশা ইরাং পোক্লফম ওইহনবা, য়াওশঙ মমাঙ অমদি মতুংগী থাবল মমৈ চোন্থবী, অথেংবফাও থাবল চোংনবী কয়া উরি। মোবাইল ফোন অসি ফখ্রবা খূৎলায় অমনি। মসিসু শীজিন্নবা হৈরগদি নুপী ওইবীশিংগী থৱায় হিংফমনি, হৈত্রগনা থৱায় মাঙফম অমনি। নুপী কয়া মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদগী অশি অনা য়াওখ্রে। ফেসবুক্তা নাতৈ চাদবা ৱারী কম্মেন্ট পীনবা, চাট তৌনবা, নাতৈ চাদবা ফোটো থানবা কয়া তৌরবদি নুপী অদু শোয়দ্রে অৱাফমদা তারক্লবগী লম্বী য়াৎপদি। মসি নুপী নুপীশিং, নুপা নুপাশিং অদুগী মফমদদি ঙাইহাক্কী ঙাওরিবনিনা নুংঙাইরিবনিনা করি অমত্তা অমাঙবা ওইনা উদবদি য়াই। মসিগী অমাঙবা অদু খুদক্তা খঙবা ঙল্লোই। হোংলিবনি চাওখৎলিবনি হায়দুনসু তুং মাঙ য়েংদনা তৌবদি অমাঙবা ওইরক্কনি।

মতম খরগী মমাঙদা নুপীনা য়েন চাবা অসি নোক্নরম্মী, নুপীনা খোঙগ্রাও শেৎপসু ময়ূম পানবা খঙদমখৈ নোক্নরম্মী, হৌজিক্লা খোঙগ্রাও শেৎপী ঙাক্তা লম্বীদা উরে। ন্যু য়রগী মতমদা নুপীনা ঙানু, য়েন ফোংনা য়াল্লগা চৎপা উনরে। নিংঙোল চাক্কৌবদা য়েন থোংলে। ইম্ফালগী য়েন থোংবা, অঙৌবা য়োনবা দুকান কয়াদা নুপীনা য়েন থোংবা চাবা চঙবদা চন্দোন চৱা থিল্লগা নাৎকী ফিজোল শেৎলগা থোরকপা উনরে। মসি হান্না য়ারমপোত্তে। ফনা য়াম্নদি কোমথোক্লবনি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি হৌজিক্তি। কোমথোক্লক্লিবা অসি অহোংবনি।

চাকখুম লৈরংদা হৌজিক্কী মতমদা ঙানু, য়েন, ওক থোংবা অসি অহল লমন্না শিরগেমখৈ য়ারমদে। ঙসিদি মতম অমদা চাকখুম লৈরংদা ঙানু, য়েন থোংলগা চাবদা অহল লমন্না অথিংবা পীরম্বা অঙাংশিং অদুনা হনুবা হনুবী ওইরক্তুনা চাকখুম লৈরংদা য়েন, ঙানু থোংবদা অকায়বা লৈত্রবা ইমুং য়ামখৎলক্লে। খুন্নাই অদুদা য়াম্না কায়বা কায়দবা অওনবা হায়বসি অসুম মশানা তপ্পা লাকচৈ।

ঐখোয়গী খুন্নাইনা য়ানীংলোইদবা, মীৎ নারোইদৌবা লিরি খোইরিবা, ঈং তপ্পা, থকসি খাসি নাইবা-নাইবী নুপী-নুপা অমমমদি ওইনবা ঐখোয়গী খুন্নাইগী ভেল্যু কয়াবু ঙাক্তুনা থম্বা তঙাইফদে। অনৌবা মতমগী অহোংবা কয়াসিগী মরক্তা মতম অমগী ঐখোয়গী ফজরবা চৎনবী থকসি-খাসি, ঈং-তপ্পা হায়বনচিংবা পূন্নমক অসি লৈহনবদা হেন্না ফজবা অমা উগনি। ফনা অহোংবা লাক্লে হায়রবসু থকসি-খাসি ঙাকপবু ফত্তে হায়না খনগদ্রা? ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লৌবুক-লৈরি # ৩৫১

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

লৌ লোকখ্রবা মতুংদা য়াম্না পাক-শন্না হৌগনবা অদুগা হেক য়েংবদা অঙাংবা ফি অমনা কুপশিনবা মানবা অদু লৌবুক-লৈরি অদুনা নীংথিজনা মপান শাৎপা অদুনি। লৌবুক লৈরি পাম্বী অসি ইংলিসতা রাউন্দলিফ তুথকপ (Roundleaf toothcup) নৎত্রগা দ্বার্ফ রোতালা (Dwarf rotala) নৎত্রগা রোতালা রোতুন্দিফোলিয়া (Rotala rotundifolia (Buch-Ham.) Koehne) নৎত্রগা আমেলেসিয়া রোতুন্দিফোলিয়া (Ameletia rotundifolia (Buch-Ham ex Roxb.) Wight) নৎত্রগা আমেলেসিয়া সবস্পিকাতা (Ameletia Subspicata Benth) নৎত্রগা আমানিয়া রোতুন্দিফোলিয়া (Ammannia rotundifolia Buch-Ham. ex Roxb.) নৎত্রগা মিরকুৱা রোতুন্দিফোলিয়া (Mirkooa rotundifolia (Buch-Ham. ex Roxb.) Wight হায়না কৌই অমসুং লাইথ্রেসী (Lythraceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসি লুজস্ত্রাইফ ফেমিলি (Loosestrife family) হায়নসু খঙনৈ।

পাউদমগী মতুংইন্না শাগৈ অসিগী মনুংদা জেনেরা ২৩ অমসুং স্পিসিস ৪৭৫ রোম লৈ অদুগা রোতালা হায়রিবা জিনস অসিগী মনুংদনা স্পিসিস ১০৫ রোম লৈ। লৌবুক-লৈরি পাম্বীগী সাইন্টিফিককী স্পিসিসকী মমিং রোতুন্দা হায়বসি পাম্বী অদুগী মনা অদু কোয়পাক্লবদগী থোনখিবনি।

লৌবুক-লৈরি হায়রিবা পাম্বী অসি য়াম্না থোৎপা এক্বাটিক হায়বদি ঈশিংদা তোয়না হৌগনবা সেন্টিমিটর ২০ লোম ৱাংবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি লৈমায়দা নেমথনা শন্দোক্কনবা, চহী খরা পুন্সিবা (অদুবু চহী অমরোমতমক পুন্সিবসু য়াই), মখোক অদু মশুং ৪ নাইরপ তৌবা থোৎপা অমসুং মঙ্গ্রা মচু নৎত্রগা অঙাংবা ওইবা অদুগা মসাসু ফজনা লোংগনবা পাম্বীনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু কোয়পাক্লনা মখোক পান্দে। পাম্বী অসিগী মতোন থংবা শরুক্তা অপীকপা ঙাংতক-ঙৌরুনবা লৈ কয়ামরুম পুল্লপ্পা মখোক অমদা শাৎলি। পাম্বী অসিগী শকওং-শাদা অসি হৌরিবা মফম অদুদা লৈবা ঈশিংগী অরু-অথেনগী মখা পোল্লি। ঈশিং মনুংদা হৌরবদি মনা অদু ইপা-পায় অমসুং শাংই অদুগা লৈকংদা হৌরগনা মনা অদু থায় অমসুং ইকোয় কোয়।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি অয়াম্বা মফমশিংদা ৱীড হায়বদি হাজেংবা পাম্বী অমা ওইনা হৌই। পাম্বী অসি অশাবা ত্রোপিকেল অমসুং ময়ায় ওইরপ্পা শাবা সব-ত্রোপিকেলগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজরবসু খরা ঈংতক তৌবা টেম্পরেটকী মফমশিংদসু অদুমক মপূং ফানা হৌবা ঙম্মী। খা ভারতকী মফমশিং য়াওনা লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা হৌই। বাংলাদেশ, ম্যান্মার অমসুং পাকিষ্টান্দসু লৌবুক-লৈরি অসি থোইদোক্লা মরাং কায়না হৌই। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদসু লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা ঈশিং ফংবা লৌবুকশিংদা য়াম্না মরাং কায়না হৌবসু থেংনৈ।

লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি মীওইবদা কান্নবা য়াম্না পী। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অহল-লমনশিংনা হায়নবা অমদি থাজনবদা লৌবুক নৎত্রগা মফম অমদা লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌরবা অমদি লৈ শাৎলবদি লৌবুক নৎত্রগা ইশ্বোল অদু লৈবাক লৈহাও অফবা ফীভম অমদা লৈ হায়না থাজনৈ। অদুবু মদু কদায় ফাওবা চুম্বনো হায়বগী বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদমদি থেংনদে। লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি শা-ষণশিংনা য়াম্না পাম্না চাবা থেংনৈ। পাম্বী অসি চাং নাইনা পীজরবদি ষণবীগী শঙ্গোম অদু মপূং ফানা থোকই হায়দুনা পীজনৈ। উচেক মখল খরনসু লৌবুক-লৈরি পাম্বীগী মতোন অমসুং লৈশিং অদু থক্তুনা চাবা থেংনৈ। অমেরিকা, য়ুরোপকী লৈবাকশিংদদি লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি এক্বারিয়মদা য়াম্না পাম্না থান্নৈ অমদি কৈথেলশিংদা লৈবা-য়োনবা তৌনৈ।

লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি মীওইবনা মখল মখা কয়াগী অনা লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কনাগুম্বা অমা মৈনা পোক্লবদি খুদক্তা লৌবুক-লৈরি পাম্বী অদু খুদাপ অমা লৌরগা শুগাইরগা থোমদুনা পুং অমরোম থমদুনা লায়েংনৈ। মসিনা অশাবা মৈশা অদু থুনা ঈংথহনবগী মথক্তা অচাকপা উনশা অদু থুনা শয়োন চিংখৎহনবদা মতেং পাংই। অতোপ্পা অমদনা লৌবুক-লৈরি পাম্বী অদু খুদাপ অমা লৌরগা ফজনা চামথোক্লগা ঈশিং লিটর অনীদা হাপ্লগা মৈদা শৌহনবীগনি। শৌহনবা ঈশিং অদু লিটর অমখক্তং ফংলবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অনীগী চাংদাদা নুমিৎ ১৫-২০ লোম চাং নাইনা পীথক্তুনা মীওইবগী ঈশিং মরী অমসুং কিদনিদা নূঙ লৈবা অদু লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেন্বা মহী অদুদা শিদামিশ্রী খরা তুমহল্লবদি অমুক্কা হেন্না ফৈ হায়নসু লৌনৈ। হায়রিবা অশেন্বা মহী অদু পীথকপদা হকচাং মনুংদা লৈরিবা নূঙ অদু মচেৎ মচেৎ কায়হল্লগা হক্কী ঈশিং চৎপদা পুথহনখিবা ঙম্মী হায়রি। বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না লৌবুক-লৈরি পাম্বীদা এন্টিপাইরেটিক (Antipyretic) হায়বদি অরুম-লাইহৌ অদু হন্থহনবা ঙম্বগী মগুন য়াওই।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি ঈশিংদা ফুৎলগা পীথকপদা হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না লিকপা অমদি শাবা হায়বদি ঈশিং য়াফম তৌবা অদুদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙমহল্লি। হায়রিবা অশেন্বা মহী অদু পীথকপদা নুপীনা থাগী খোঙকাপ চৎপদা য়েকপা-থিনবা তৌবা অমদি চাং নাইদবা অমদি নুংশং থুংবদসু লায়েং হীদাক ওইনা চাইনাগী অরিবা লায়েং পথাপ্তা শীজিন্নরক্লি হায়বগী পাউদমসু লৈ। সিরোসিস (Cirrhosis) হায়না খঙনবা লিভরগী লায়েংদসু লৌবুক-লৈরি পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। ●